# বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এশিং পুল্লপ ফম থাদোকমিন্নরবদি দেল্লীনা খরা খন্থরকপা য়াই

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

ঐখোয় মীওইবা হায়বসি, অফবা ৱাখল খনবদগী পূন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই লিংদুনা, থৱায় পানবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না অৱাংবা থাক্তা লৈরিবনি, অদুবু পূকফবগী শরুক থুংদে হায়নবগুম্না ফমল্লবসু, মীওইবনা খূয়া-তুশীৎনা পানবা ঙমদে। মরম অসিনা, অফবা ৱাখল খনবা অমসুং নুংঙাইনবা হোৎনবা হায়বা থৌওং অনী অসিগী মরক্তা খল মান্নহনবগী তঙাইফদবা অমা লৈগনি। কনাগুম্বশিংনদি, ঙসিগী অঙম অঙম্বা হাৎন-শুনদুনা, হেন্না নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ঙম্নবা হোৎনরিবা মালেম অসিদা অফবা ৱাখল খল্লুবগী কান্নবা করি লৈবগে হায়বা ৱাহং অমা হংলকপসু য়াই, অদুবু ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইনা -- মতম পূম্বদা ফত্তবা অমসুং অরানবা ৱাখলনা মাঙওইনবা মীওইশিং অসি, মমৈথঙদা মশা মথন্তা নত্তনা, ইমুং-মনুং অমসুং খুন্নাইবু অৱাবগী ঈপাক্তা ইরাক্লহল্লি হায়বা ৱাফম অসি পুৱারীগী য়ূম্ফমদা থম্লীংই।

পোলিটিক্স অমসুং লৈঙাক্কী থবক য়াওনা, মীওইবা খুন্নাইগী হীরম খূদীংমক্তা অফবা ৱাখল খনবগী মমি তাদবা মীওইশিংবু কনানসু ইকায়-খুম্ননীংঙাই ওইবা মীওইনি হায়না খন্নবা তৌদে, মহাক মহাক্না পায়রিবা ফমশিং অমসুং অরানবা মওংদা শীজিন্নরকপা য়াবা মতীক-মঙমশিং অদু উরুরগা মখোয়বু মপাম্থোংদা নোল্লুক্না লোয়নবা তারবসু, মতুং হেক ওম্থোকখিবগা কি-তুক্কৎচবা অমসুং হঙ্গোইবা মীৎয়েংনা য়েংনবা ঙাক্তনি। মৱা-মপুরোইবা লৈবী নুপীবু মুন্দুনা লৌবা ঙম্বা নিংথৌশিংবু কোক নোন্না খুরুম্নরবসু মীয়ামগী পুক্নীংদা হিংচা-য়াইতম্বা ওইনা লৌনৈ। চমজরবা পাণ্ডব মচীন-মনাও মঙাগী ফংফম থোক্লবা লমশিং অদু মুনবতা নত্তনা কৌরবকী রাজসভাদা পাণ্ডবশিংগী লোয়নবী সতি দ্রৌপদিগী শাড়ী চিংথোকহনখিবা দুর্য্যধনবু, মপাঙ্গল কল্লবা ভিমগী কৌমুদি গদানা থোমদুনা হাৎপগী ৱারী তাবদা মীপূম খূদীংমক্না অপেনবা পোক্নে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জিয়ু মিল্লিয়ন কয়াবু তমথীবা মীহাৎতা হাৎখিবা জর্মনগী হিটলরনা, এল্লাইদ ফোর্সশিংগী মখূৎতা মায়থীবা ফংবদগী চেনফম লৈররোই হায়বা খঙদুনা মশা মথন্তা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখিবদা মালেম পূম্বনা নুংঙানইখি। পূম্নমক অসি, পুৱারীদা থেংনদুনা লৈরবা ফত্তবা ৱাখল খনবা মীওইশিংগী অরোইবা পূন্সিগী পোলোইদা থোকখিবা থৌদোক ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক কাউজন থীবা অমসুং তোররিংবা মচৎ অমগা শাগোন্ননা হিংবা মীওইবনা, হায়রিবা থৌদোকশিং অসিনা পীরিবা -- অফবা অমসুং ফত্তবা অনীগী তোঙান তোঙানবা ৱাহম্থোকশিং অসি মশক খঙলবসু, মতমগী মতুং ইন্না, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা পুরকপা কঞ্জুমরিজমগী অকনবা ঈরৈ অমদা ঈরাক্নদুনা খুন্নাইগী অপূনবা কয়াৎ পূম্নমক অসি শেঞ্জা-থুমজাগী লুখাক-কোম অমদা পুথরকপা অসিদি য়াম্নমক নুংনাংনীংঙাইগী মশক্নি।

হৌজিক্কী মতম অসি, মমাগী মথানুংদা লৈরিবা পীক্লিবা অঙাংশিং ফাওবা মোবাইল ফোনদা লায়ুচুরক্লে, অঙাং কপ্পদা মোবাইল পীরগা থেম্নরে, অৱাংবা ফুড়া-দলান্না থল্লে অমসুং মমল তাঙবা ফোরেইন কারনা লম্বী-শড়ক পূম্নমক্তা ৱাই চাইরে, য়েংখি য়েংখিবদা লায়রবা লৈবগী মমি তাদ্রে অমদি মীপূম খূদীংমক অসি শেল পায়বা, ইনাক-কৈরাক খুনবাঙাক ওইনা উবা ফংনরে। অসিগুম্বা খুন্নাইগী তৌশিন্নবা মশকশিং অসি, ইশানা ইশাগী চানবা মতীক চানা পুথোকচবা ঙমদ্রিবা, য়েতুম মনা অমা ফাওবা শাবা হৈত্রিবা, হিংবদা চঙবা পোৎচঙ পূম্নমক মিপাল তাংনা হিংলিবা অমসুং দেল্লীদগী নিরগা হিংবা মণিপুরীশিংগী উতাংবী ওল্লবা পুন্সিরোল অসি য়েংলুরবদি নীংবা কায়নীংঙাইগী মশক্নি। তেংবানবা অসিদা নুংঙাইবা পামদবা, নৎত্রগা নুংঙাইনা হিংনীংদবা, থৱায় পানবা লৈবা হৌনদে। হিংদুনা লৈবা হায়বসিগা, থৱায় পানবশিংগী নুংঙাইবা হায়বসিগা অনী অসি মরী লৈনৈ। শুক্না মল্লবা থাশিগী অহিংবু কনানসু পাম্নদবগুম্না, থৱায় পানবশিংনা অৱাবগী অমম্বা মরক্তা হিংনীংদে, মেঙলবা থাবলগী মঙালদা ঈংনা-চীক্না অমসুং নুংঙাইনা হিংনীংই। অদুম ওইনমক, মীনা শেন্মগা লাই ওই, লাইনা শেন্মগা মী ওই হায়নবগুম্না, লাই শেমদুনা পুথোকপা ঙম্বা মীওইবনা, মপান্নাইদ্রবা নুংঙাইবগী পাক্লবা ঈপাক অমদা, মতম পূম্বগী ওইনা তাউদুনা লৈবা ঙম্নবা হোৎনরকপদা মীওইবগী চৎফম থোকপা মচৎশিং অদুদগী নাথৈরক্তুনা, ৱাখল য়াওদবা শা-ঙাগী থাক অমদা লৈখা তারকই। ঙসিদি, মীওইবগী মশাদা অচৎ-চত্তা, লেঙলি-পাল্লিবা, নুমিৎ-থা, থৱান্মীচাক পূম্নমক অসিবু শেন্বী-শাবীবা, অশুপ্পা মপু অমা লৈ হায়বসি য়ৌনা থাজবা পোক্নরক্ত্রে, লাই লৈত্রে, লাই মাঙখ্রে। তেংবানবা অসি, মতমগী করিগুম্বা মতাং অমদা তাঞ্জা-চানরুবদগী মথন্তা খঙহৌদনা হেক্তা ওইরকপগুম্না খন্নরে অমসুং তাইবঙমী মশাগী কা হেনবা ওইজবা থিবগী থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা খঙহৌদবা মীৎকুপ অমদা মালেম পূম্নমক মনিল ওন্দুনা তরং-মালঙদা তিনখিবা য়াবগী মিপাইনীংঙাই ওইরবা ফীভম অমদা লাক্লে। মরম অসিনা, মীপূম খূদীংমক্কী ৱাখলদা ঙসি শিনি পাউজেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে, শিরগা লোইরবা মপোক্নি, হিংলিঙৈদা নুংঙাইহৌরগা লোইরে হায়দুনা অফ-ফত্ত মশক খঙনরক্ত্রে।

কুনমাথোইশুবা চহীচা অসিদা ওইরিবা মীওইবনা চাওখৎলকপগী মায়ওন অসি, য়ুরোপ অমসুং এসিয়া অনীগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংগী মরক্তা কা হেন্না নুংঙাই-য়াইফবা নৎত্রগা কনবা-থৌবা তান্নবগী মায়কৈ অমদা চঙশিল্লক্লি। হৌখ্রবা পুৱারীগী তাঙ্কক খরদা গ্রেট বৃটেন, ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, স্পেইন, ইটলি, জপান, বেলজিয়ম, পোর্টুগাল অমসুং হোল্লেন্দ হায়রিবা লৈবাকশিং অসিনা পূন্না স্কৱার কি:মি: ১১,৪০৭,৬০০ পাক-চাউবা মালেমগী কোলোনিশিংদা লোইলম শন্দোক্তুনা মখোয়গী কান্নবা কয়া ফংনবগীদমক্তা মীওৎ-মীনৈ চথখিবগী থৌওংশিং অদু, ঙসিসু, সুপর পৱারনি হায়রিবা য়ু এস অমদি চাইনা অনীনা, নিওকোলোনিয়েলিজমগী জিওপোলিটিক্স অমা ওইনা, ইরাক, ইরান অমসুং টাইৱান অমদি ম্যান্মারনচিংবা লৈবাকশিংদা চথরি। মমাঙৌগী ইম্পরিয়েলিজম অমসুং কোলোনিয়েলিজমগী মওং অদু ঙসিদি নিওকোলোনিয়েলিজমনা মহুৎ শিনখ্রে অমসুং ন্যুক্লিয়র খূৎলায়না চৈঙাক পীবা গ্লোবল মার্কেট ইকোনোমীগী মোনোপোলিদগী কনাগুম্বা লৈবাক নৎত্রগা মীওই অমত্তনা নাম্থোকপা ঙম্নরক্ত্রে। ঐখোয়না ঙসি কৈথেল হায়দুনা খঙনরিবা মফমশিং অসিদা য়োল্লিবা পোৎশক খূদীংমক অসি অয়াম্বনা চাইনা অমসুং য়ু এসনা শাদুনা পুথোকপা অমদি ফোরেইন ত্রেদ এগ্রীমেন্ট (এফ টি এ) হায়রিবা য়ুরোপকী চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজিল থাখ্রবা লৈবাকশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না খূৎয়েক পীমিন্নখিবা য়ান-ৱারোল অসিগী মনুং চনবা মরম্না, মীয়ামদা অহোঙবা মমলদা ফংহনবা ৱায়। চাইনাগী গ্লোবল মার্কেট পোলিসিদা মেদ ইন ইন্দিয়াগী পাউজেলনা শাফূ পীরুবা ঙমদে। য়ু এস অমসুং চাইনা অনীনা টারিফকী লাঞ্জাও শোক্নরকপদা ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী মীয়াম অমদি ফেক্টরি কয়াদা হুমাংমলনা চরা তাল্লিবা লায়রবা শিন্মী কয়াগী চরম মেৎলি। লুরিবদি, এফ টি এগী মখাদা, চাথোক্তি য়াম্না লৈবা, অদুবু লৌবুক্তা অমুক্তং হুন্দুনা থাখ্রবদি অনীরক হন্না মরূ লৌদুনা থাবা য়াদবা হায়ব্রিদ মখলগী মমল তাঙবা ফৌদিশিং পীকখ্রবা মণিপুরগী লায়রবা লৌমীশিং ফাওবনা শীজিন্নরকপা অসিনি। অসিগুম্বা য়ুরোপকী মল্টি-নেশনল কোর্পোরেট বোদিশিংনা পুথোকপা চাথোক লৈবা ফৌদিশিং অসিনা ষ্টেট অসিদা থানরিবা ফৌ মখলশিং অসিগী মহুৎ শিনখ্রবদি মদুনা ইপা-ইপু হাক্তকতগী থানরক্লিবা মহৌশাগী ফৌ মখলশিং অদুগী খোঙ্গুল মুথুৎখিবতা নত্তনা মণিপুরগী লৌমীশিংনা মমল তাঙবা মপানগী ফৌদিদা মপাল তাংবগী অৱাবা অমা মায়োক্নহল্লকপা য়াই। ৱাফম অসি সুপর পৱারশিংনা লায়রবা লৈবাকশিংগী চাকখাউ য়ৌনা মোনোপোলি শান্নরকপগী ময়েক লারবা খুদম্নি।

মীওইবনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা অরোনবা অমসুং অফোংবা শক্লোন কয়াদা মীচম মীয়ামগী পূন্সি অমদি মখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা মথং-মথং উবা ফংলক্লিবা জিওপোলিটিক্সকী চৈফূশিং অসি ঐখোয়না কূপ্না খন্ন-নৈনদবা য়াদবগী তাঞ্জা অদু লাক্লে। লৈবাক মনুংগী ওইবা লৈঙাক, মীয়ামগী লুচিংবশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন পূম্নমক অসিনা মায়োক্নরিবা -- চিন-কুকি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম, মখোয়বু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা পোলিটিকেল ইন্টরেষ্ট খরদা য়ূম্ফম ওইদুনা মীতৈ অমসুং নাগাশিংগী মথক্তা লীশাং শীৎনা প্রোক্সি-ৱার চথহনবা, অদুগা অমরোমদনা পি এম মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দবু দেল্লীদা কৌরগা ষ্টেট অসিগী কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা মরা তপ্পগী ফীভম হঞ্জিনহল্লু হায়না মমায় অনী লোঙবা দিভাইদ এন্দ রুলগী হীগায়ৱা শান্নরকপা অমদি ঐখোয়গী ইচম চমজবা সী এম খেমচান্দনা দেল্লীদগী হেক হল্লকপগা জিরিবামদা চৎতুনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা, কুকি কাঙলূপকী রিফ্যুজি খরগা উন্নরগা মরা তপ্পা হঞ্জিহন্নবা ৱারী শানবা অমসুং থৌওং অসিদা খোয়শাউনরবা, খূৎলায় পায়বা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা ড্রোংলাওবীদা মিসাইল কাপশিল্লক্তুনা ময়ূমদা তূমদুনা লৈজবা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবনচিংবগী থৌদোকশিং অসি মণিপুরবু কাং-খোং চাইহন্নবা হোৎনবগী য়াম্না সিষ্টেমেটিক ওইনা চথরকপা থৌশিল অমনি হায়দবা ঙমদে।

মণিপুরদা লৈরিবা এম এল এশিং অসি, খূৎলায় পায়বা কুকি-নার্কো টেররিষ্ট খুজোক খরগা মরী লৈনবা নৎত্রগা মখোয়গী শরৈদা চৎপা কুকি এম এল এ খরা নত্তনা, পূম্নমক মখোঙ-মখূৎ পুনশিন্দুনা মচীন্দা ফীবুল নল্লগা থম্বগুম্না তৌরে। ম্যান্মারদগী চঙলকপা, ষ্টেট অসিগী ফাওনলোল ওইরিবা মীতৈলোল থোক্তবা অমসুং খূরক্কী ঈনা লাই শাবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমদি মৈহৌরোলদগী চান্ন-চিন্ননা হিংমিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপদা,ঐখোয়গী এম এল এশিংনা অয়ম্বা, মরিল য়াওদবা অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল চেন্দবা মীওইশিংগী মতৌগুম্না তূমিন-তূমিন্না লৈনরিবা অসি মখোয় পূম্নমক বি জে পিগী দব্বল ইঞ্জিন লৈঙাক্তা লেজিসলেটরশিং ওইদুনা লৈরম্বা মরম্না, পার্টি হায় কম্মান্দগী লীলাদা শরুক য়ারিব্রা হায়না হংদবা ঙমদে। ইশাগী চহী লিশীং অনী হেল্লবা অপূনবা খুন্নাইগী লৈঙাক অমসুং অমত্তা ওইবা লমখৈগী শক্তমদা শীংনরকপা হায়বসি মতম চানা মায়থীবা পীনবা হোৎনহৌদবা তারবদি, তুংদা হৌরক্লিবা অনৌবা মীরোলশিংগী পূন্সিদা খুদোং থীনীংঙাই ওইগনি। অদুঙৈ অৱা অমসুং বৃটিশশিংগী মফমদা মরৈবাক নীংবগী লাকঙম-ফাঙমদ্রবা মথৌনা উৎখিবা অথৌবা ইপা-ইপুশিং অদুনা ঙসি হিংলিবা মণিপুরীশিংগী থাক অসি য়ৌনা শেমগৎলম্বনি হায়বসি ঐখোয়না কাউদবা ফৈ। মুক্নবগী তোঙান তোঙানবা মওং কয়া লৈগনি। থাঙ পায়দুনা, নোংমৈ পায়দুনা লাম্থেংনদ্রবসু, মণিপুরগী বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা দেল্লীদা লৈরিবা হায় কম্মান্দশিংদা, নখোয়না মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবগীদমক্তা হাৎন-শুনহন্দুনা লৈবাক লাঙহল্লবদি, ঐখোয় পূম্নমক পার্টিগী এম এল এ ওইবদগী তোক্লগনি হায়না লাউথোকপদা, লায়রবা মণিপুরবু হন্থনা য়েংবগী মচৎ চেনবা ময়ায়লমগী পোলিটিসিয়নশিংনা শান্ননীংবা লীলা শান্নরিবা অসি তপ্না-তপ্না তোকখিগনি, মণিপুরদা ইন্দিয়ান পোলিটিক্সকী চন্নফম লৈরোই।

দেল্লীগী মেইনষ্ট্রিম পোলিটিক্সনা মণিপুরবু, ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা, ঙসিফাওবা হন্থবা মীৎয়েং অমনা য়েংদুনা লাক্লিবা অসিগী মরূ ওইবা মরমশিংগী মনুংদা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লেজিসলেটরশিংনা, মরৈবাক-মরমদম অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙমদবা অসিসু অমনি হায়বা য়াই। হিংবগী মমলনা অতিয়া পক্না ৱাংলবা মতম অসিদা, কনাগুম্বা সোশল ৱার্কর নৎত্রগা কনত্রেক্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন চাউবোক ওল্লবা মীওই অমনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ভোট লেপ্পদা লুপা ক্রোর ৪০-৫০ চঙলে। কন্সটিট্যুয়েন্সি খরা চাউবা, ভোটর মশীং য়াম্না লৈবা অমসুং ভোটর অমদা লুপা ৫,০০০ গুম্বা য়েন্দবা য়াদবা মতাংদদি হায়রিবা, ভোট লেপ্পদা মীরেপ অমনা য়েল্লিবা শেনফম অসিগীদমক পূন্না লুপা ক্রোর ৬০-৭০মুক চাদিং তৌদবা য়াদ্রে। অসিগুম্বা য়াল্লবা মীখলগী চাদিংশিং অসি, মায় পাক্তুনা এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরবা লৈঙাকপা অমনা, থবক হাপ্পা, থীকা-সপ্লাই তৌবা নৎত্রগা লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরাংগা মরী লৈনবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্ট কয়ামরুম পায়খৎপা অসিনচিংবা পাম্বৈ কয়াগী খূথাংদা শেন্দোই অমদি শেল্লেপকা লোয়ননা অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনৈ। মসি তৌদ্রবদি, মখোয় পূম্নমক মথংগী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংলোইদৌরিবনি। থৌওং অসি অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লৈবা, শেন্থোক মরাং কায়বা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চথবা ওইরবদি চাদিং তৌরিবা শেনফম পূম্নমক অদু মশাগী লৈবাক মনুংদা তূংদুনা লৈবা মরম্না, শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা করিসু থোকহনবা ঙমদে, অদুবু মণিপুরগুম্বা অপীকপা, মী ১০০ ফানা থবক পীবা ঙম্বা ইন্দষ্ট্রি অমসুং মশাগী শেন্থোক লৈজদবা অমদি হীরম খূদীংমক্তা মিপাল তাংনা হিংবা ষ্টেট অমদদি, মসিনা অহেনবা শেনফম কয়া মপান্দা পাইথোকহনখিনবা মরম অমা ওই অমসুং লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা কান্নবা করিসু পীবা তৌদে।

লায়রবা মণিপুরগী, শেলগা মন্তিক্নদুনা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবা মীওইশিং অমসুং মীখলদা য়েল্লক্নদবা শেলশিং অদুবু নোঙ্গৌবীনা নোং তারকপা ঙাইবগুম ঙাইদুনা লৈরিবা ভোটরশিং অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা, দেমোক্রেটিক রাইটশিংবু লৈবা অমসুং য়োনবগী মরী অসি দেল্লীগী অঙম-অথৌশিংনা মুন্না খঙই, মরম অসিনা ইন্দিয়াগী ময়ায়লমদা লৈবা পোলিটিকেল মাষ্টরশিংনা, অৱাং-নোংপোক লমদমগী মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মথক্তা, দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাউনবা, তায়োন্নবা থৌওং কয়া চথরকপদা ইরায় লায়না থোকপগা লোয়ননা, কনানসু পূম্নমক অদুগী মায়োক্তা য়ানীংদবগী খোল্লাও লাউরুবা ঙমদে। অদুম ওইনমক হায়রিবা খোল্লাউ অসি মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমী ইচিন-ইনাও পূম্নমক্না, মতমগী মতুং ইন্না লাউদবা য়ারক্ত্রে। হীরম অসিদা, মীয়ামগী লুচিংবা ওইরিবা পোলিটিসিয়নশিং, এম এল এশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা মাঙজিল থানা চোংথোক্তুনা হোৎনহৌদবা তারবদি মণিপুরগী তুংগী লাইবক অসি হেন্না হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরকপগা লোয়ননা অমম্বা ঈপাক অমদা ঈরাক্নরগনি।

পার্টিগী পোলিটিক্সনা ইশাগী, ইমা লৈবাক্কী মোংফম ওইরক্লবদা, অদুগুম্বা পোলিটিক্স অদুদগী লাপ্না লৈবা হায়বসি মীয়াম্না হিংদুনা লৈনবগীদমক্তা তঙাইফদবা খোঙথাংনি। মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনচিংবা, নেশনল পোলিটিক্সকী মণিপুরগা য়েম্মৌনবা লাল্লোংশিংবু থবক্তা ওম্থোক্লিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ষ্টেট অসিবু মমা লৈবাক্লি খন্না তশেংনা নুংশিরবদি, মরী লৈনবা সেন্ত্রেল হায় কম্মান্দশিংগী মফমদা মণিপুর অসিসু ইন্দিয়াগী ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী মনুং চনবা ষ্টেট অমনি হায়বসি খন্থহনবা ঙম্নবা কখোকপা অমা য়াওনা মীয়ামগী থবক তৌবা মতম য়ৌরে। ●

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (১২)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

উমংগী লৈরাংনা য়েনিংবু হুনজে॥
থমোয়গী লৈরাংদি ওনথোকনা মললে
অহিংনা ওয়রগা লৈমনবু চললে।
করমবা লৈরাংনো ৱাখলনা ফংদে
তয়াংবা পুকনিংনা ফংগনি নিংদে॥
থমোয়গী লৈরাংদি "নুংথিনদা" শাৎলি
মপুগী থৌশিননা ওয়গনি খললি॥

মথক্কী শৈরেং অসিগী লোল অসি অচম্বা ঙাক্তনি, অরুবা ৱাহৈ অমত্তা য়াওদে। মসি ৱাহৈ খোংথাং মান্নবা, পরেং অনী অনীদা ময়েক লোইবা মান্নবা পরেং তরামরিনা শাবা ঈশৈ অমনি। মসি ঈশৈ ওইনা শক্নবনি। মসিগী ঈচেল অহল ইবুংঙো তখেলম্বা বোকুলনা অসুম্না হায়, *"ঈশৈ শৈরেং অসিদা হায়রিবা লৌখৎ-কোমা" গী মনুংদা লৌখৎলিবা "অহিং নুংথিন" ৱাহায় অনীসি শৈরেং অসিগী মনুংদা য়াম্না মমল লৈবা ৱাহায়নি। অহিং ৱাহায় অসিনা অপংবা (অজ্ঞান) অমম্বা খঙদা উদবা অমগী পান্দম (উপমা) সু লাক্লি। অমুকসু অহিং মশামকপুসু খঙনরি। অপংবা হায়বসিনা মশামকপুসু নুংশি হৈতে, মশাদা থৌজালবু পক্তে পংবদগী শোয়খিদুনা তেকচাক ফঙবা মতমদতা খঙকই। খঙকপা মতমদা নিঙমমক্তদুনা খঙহৌ উহৌদবা অমম্বা ৱাখল অদুবু অহিংগা পান্দম তৌদুনা, হে অপংবা ৱাখল! করিগী ঐহাকপু নহাক্না চানদে, ঐহাক্কী লৈরাংবু নহাক্না য়েংদে হায়দুনা তেংথারকই। মখা তারকপা - "নুংশাগী মৈচাক্না থোয়দোক্না চাকলে, উমংগী লৈরাংনা থোয়দোক্না মললে। নহাককি থৌজান্না মপাঙ্গল ফংজৈ, উমংগী লৈরাংনা য়েন্নিংবু হুনজৈ" হায়রকপদা অহিং মশামকপু খঙহল্লি। অমম্বা অপংবগী পান্দম তৌরিবা মথক্কী অহিংগা, মখাগী অহিং মশামক্না অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা, ঈশৈ শৈরেং অসিনা খঙহন্নীংঙিবা ৱাখুল (ভাব) অদু ঙাম্থোকহল্লি। নুংশানা মল্লবা উমংগী লৈরাং নহাক্কী (অহিংগী) থৌজান্না য়েনিং হুনজৈ হায়বসিগা, মথক্কী করিগী ঐহাকপু নহাক্না চান্দে হায়বসিগা মরী লৈনহন্দুনা অপংবা কোক্নবা পাম্বৈ অমা থিরকই। অহিংদা উমংগী লৈরাংনা য়েনিং হুল্লি, অদুনদি অহিংনা তাইবঙ মাঙনবদি তৌদে, তাইবঙনা ৱাখল তৌজদবদগী মাঙজবনি হায়বা ৱাখল অমা পোল্লকই। "থমোয়গী লৈরাংদি ওম্থোকনা মললে, অহিংনা ওয়রগা লৈমনবু চনলে, করম্বা লৈরাংনো ৱাখন্না ফংদে, তয়াংবা পুক্নিংনা ফংগনি নিংদে" হায়রিবা অসিনা অমুক তাকই - অহিংদা "য়ূম পানবা" (য়ূম হকচাং-পানবা মায়োক্নবা) হায়বসি লাইগী থৌদা তাইবঙ শন্ননবা, হকচাংগী নুঙায়বা, পূক্নিংগী অপেনবা পীরবসু, পূন্সি লৈরাংদি লৈমন চল্লি। পোকঅবা থৌৱায়গী মমন্দি পূন্সিনি। পূন্সি লৈরাংবুদি কনানসু লৈমন চলহন্নীংদে। পূন্সি লৈরাং অসি করম্বা লৈরাংনো হায়বা তয়াংবা পূক্নিংগী ৱাখন্না খংদে। মখা তারকপা "থমোয়গী লৈরাংদি নুংথিন্দা শাৎলি" হায়বসিদা মথক্কী অহিংনা, মখাগী নুংথিনবু মশক তাকই। অপংবা (অজ্ঞান) উদখঙদববু অহিংগা পান্দম তৌরবদি, মাদুগা মরী লৈননা পুরকই নুংথিলদু-লৌশিংগী (জ্ঞান) ঙাল্লবা ৱাখল অদুগা পান্দম লাকপনি। লৌশিংনা থমোয় লৈকোন লুহন্দুনা পূন্সি লৈরাং তেকখৎহল্লি। নুংথিন মশামক্তদসু পূন্সি লৈরাং লৈহী খিকথদে। লৈরাং লৈহী খিকথদ্রবদি লৈমন চন্দে। অদুবু ঈশৈ শৈরেং অসিগী অরোয়বাপরেংদা "মপুগী থৌশিন্না ওইয়গনি খল্লি" হায়বসিদা অহিংসু, নুংথিনসু মপুগী থৌশিন্ননি, তাইবঙনা নাম্থোকপা ঙমদবা অমা লৈরে। অদুনা পাবিরিবশিংনা, শৈরেং অসিদা য়াওরিবা 'অহিং, নুংথিন' অনীসি কনানা মমন হেনবগে খন্থবিয়ু। মদুদা ঈশৈ শৈরেং অসিগী মমল লৈ।"*

লাইনিংহল নাওরিয়া অশৈরেম্বা (মহা কবি) নি, ৱাংঙুরোলগী অশৈবনি (দার্শনিক কবি)। শৈরেং অসিদা অশৈবনা মহাক্কী অপংববু লৈরাংগী মশক ওইরবা পূন্সিবু মরিক চুমহন্দে হায়দুনা নুংশি হৈতে, থৌজাল হৈতে হায়দুনা তেংথারি। উমংগী লৈরাংশিংনা নুংশাগী মৈশাদা লৈমন চনবদু অহিংগী মতমদা য়েন্নীংবু হুনবা ফংজৈ। অহিংনা মাঙনবদি তৌদে, তাইবঙনা ৱাখল তৌজদবদগী মাঙজবনি। অহিংগী মতমদা অহিংনা লাইগী থৌদা তাইবঙ শন্নবা, হকচাং নুংঙাইবা পীরবসু পূন্সি লৈরাংদুদি লৈমন চলহল্লি। মসি পাম্মুজবনি। অদুবু পূন্সি লৈরাংসে করম্বনো হায়বসি অচম্বা অমদি তয়াংবা পূক্নিংনদি খঙবা ঙমদে। শুপ্নগী লৌশিংগী ঙাল্লবা ৱাখল অদুনা থম্মোয় লৈকোল লুহন্দুনা পূন্সি লৈরাং তেকখৎহল্লি, লৈমন চলহনদে। মসি তাইবঙগী মপু মহাক্কী থৌশিন্না ওইগনি হায়দুনা মপূক্নিং ফাজিনজৈ। অসিগুম্বা ঈচেল অসিগী ঈরূ চুপ্পীনবা তখেলম্বা অহলনা ফোঙদোক্লম্বনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং**

১) "হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই 'হো ইমা!'... হায়খিগুমসু তৌখি।"

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) "পুন্সিবু হুন্দোক্নল্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।"

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) "মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।"

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) "ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) "নতম্বাক্তা" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## গৌড়গী চৈরাওবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

গৌড়গী চৈরাওবা হায়দুনা গৌড় সম্প্রদাইদা লৈবা কাঙবুশিংনা চড়কপুজা নুমিৎতা পাঙথোক্নরি। চৈরাওবা হায়বসি করিনো হায়বা ইখন খন্থদনা হেক্তা হায়জিনবা, হেক্তা তৌশিনবা অসি ঐখোয় অসি খরা তৌনৈ। মসিনা অচুম্বরা অরানবরা, হায়বা য়াবা ৱারা, য়াদবা ৱারা হায়বা ইখন খন্থদে। ঐখোয়গী মৈতৈগী চৈরাওবা হায়বা থৌরম অসিদি চহীগী অহৌবা নুমিৎতা লাইগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকই। নুমিৎ অদুদগী অনৌবা চহীগী নুমিৎ মশীং থীবা হৌই।

চড়ক পুজাদি শকাব্দগী অরোইবা চহী চৈত/চৈত্রগী থাগী নোংমা পানবা ওই। চহীগী অরোইবা থাগী অরোইবদবু চৈরাওবা হায়দুনা পাঙথোক্লিবা অসি চুম্ব্রা লানব্রা হায়বদু মশানা খন্থহন্নীংই। নুমিৎ অদুদগী মখোয় চহী হৌবগী নোংমা হায়দুনা মশীং থীবদি হৌদে। মখোয়গী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা লুহোংববু ওইরো, শ্রাদ্ধ কর্ম্মবু ওইরো শজিবুগী নোংমা পানবদগী থীবা হৌখিবা থবান অদুদগী লৌরগা তৌনৈ।

বামোনশিংসু অদু মঙাই মখোয়গী থৌরম পাঙথোকপদসু শজিবুগী নোংমা পানবদগী থীবা হৌখিবা থাজৎ অদুদা পাঙথোকই। অদু ওইরবদি গৌড়গী চৈরাওবা হায়বা অসি করিনো হায়বা ৱাহং অমা লাকই। গৌড়গী চৈরাওবা হায়দদুনা চড়ক পুজা হায়রগা পাঙথোক্লবদি অচুম্বা ওইগদ্রা খল্লি। অদুনা থৌরমশিংদি শজিবুগী নোংমা পানবদগী থীবা হৌখিবা থাবান্দা পাঙথোক্লবনিনা শজিবুগী নোংমা পানবদা পূন্না চৈরাওমিন্নবনা ফরগনি।

**অদোমগী :- নিংঙোম্বম সুরেশ্বর অঙোম**
পিশুমথোং নিংঙোম লৈরক

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।